ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



তাকয়েলদা লৈবা আই টি আইদা ষ্টেট লেভেল ইন্দিয়া স্কিল কম্পিটিশন হৌদোকপগী থৌরমদা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা নেশনল লেভেল ইন্দিয়া স্কিল কম্পিটিশনদা বেক্করিদা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবী অলদিসোনা ঙাঙোমবু তরাম্না ওকপা


থম্মোয় পাউদম : ইরমদগী মীরমদা - ৪১ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ তাইবঙ মপুনা পীবা লৌশিং শীজিন্নরগা ...

পি আরগী নোংঙানবা নাইদ্রবা অমম্বা অহিং ... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা দে ক্যের ...

জি রাম জি বিল : পার্লিয়ামেন্ট কমপ্লেক্সতা... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ দি জি এ আর পোলো ঃ এক্স পোলো ক্লব...


জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী ১৮শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা গভর্ণরনা শরুক য়ারদুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী শক্লাইরবশিংদা শকখঙ খুদম খুদোল তমদুনা পূক্লিং থৌগৎপা



Vol. 49, Issue No. 255 | ইরাই, পোইনুগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, December 19, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## গভর্ণরনা চ্যের লৌদুনা ‘গভর্ণর-ইন-কাউন্সিল’ গী মীফম পাঙথোকখ্রে তোর্বুং এটেককী মতাংদা খন্নখিব্রা-খন্নখিদব্রা খঙদ্রি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৬কী নুমিদাংদা পুঙ্খায় অমরোম চূপ্পা কুকি টেররিষ্টশিংনা তোর্বুং শাবল লৈকায় অমসুং ফৌগাকচাও ইখাই তম্না বোম তরেৎ অমসুং নোংমৈ মরূ ২০০ রোম কাপশিন্দুনা অকনবা এটেক চথুরকখিবগী মায়োক্তা কোকোমি, অমুকো, য়ু সী এম য়াওনা লূপ কয়ানা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুরকপগা লোয়ননা এটেক অসিগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকপগা ইরোয়ননা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফালগী লোক ভবনদা গভর্ণর এ কে ভল্লানা চ্যের লৌদুনা মহাক্কী ‘গভর্ণর-ইন-কাউন্সিল’ গী মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিদা মহৌশাগুম্না মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিশলশিং অমসুং লোয়শঙ খরগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিংনা শরুক য়াখি। অদুবু পুং ১ রোম চূপ্পা নুংথিল পুং ১.৩০ তারমদাই ফাওবদা চথখিবা কাউন্সিল অসিগী মীফম্না থা অসিগী ১৬কী নুমিদাংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনজবা হৌরবা আই দি পিশিংনা লৈরক্লিবা তোর্বুং শাবল লৈকায় অমসুং ফৌগাকচাও ইখাইদা অকনবা এটেক চথুরকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা খন্নখিব্রা নৎত্রগা খন্নখিদব্রা হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

করিগুম্বা মীফম অসিদা পুথোক্লুনা খন্নখিবা ওইরগনা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি-করম্বা থবকশিং লৌখৎকদগে হায়বদুসু খঙবা ঙমখিদ্রি। মীফম অসিগী মতাংদা লোক ভবনগী সেক্রেটরিএটতগী ওফিশল ওইবা চেরোল অমত্তা থোরকখিদে।

## মতিক চাদবা গভর্ণর মণিপুর থাদোক্লগা চৎপীখ্রো, মথৌনা য়াওদ্রবা এম এল এশিংসু রিজাইন তৌরো : রানিবালা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** মীচম-মীয়াম ঙাকপী-শেনবীবা ঙমদ্রবা গভর্ণর ষ্টেট অসিদগী চৎপীখ্রো অমসুং চহী অনী মখায় হেল্লবা লান অসিবু লোইশিনবা পামদ্রবা অমসুং লেম্না তোলোপ চাদুনা লৈরিবা এম এল এশিংসু রিজাইন তৌবগা লোয়ননা এসেমব্লিসু দিজোল্ব তৌরো হায়না অপূনবা মণিপুর ইমাগী এদভাইজর পি রানিবালানা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি নুংথিল প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, মে ৩, ২০২৩দগী থোরক্লিবা লান অসিনা মরম ওইদুনা ইরমদমসিদা ইরৈচা কয়ানা চহী অনী মখায় হেল্লবা ফাওবা ...মখা লমায় ৬ কলম ৩

## কুকিশিংগী মখাদা পি আর লৈঙাক লৈরব্রা, শগোলনা লৌ চারগা ইরোইদা চৈবী-চৈথেং পীবিগনু : বেদনা লৈমা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** চহী অনী মখায় হেন্না লাঞ্জেন্নরক্লবা মতুং তোর্বুং বাংলা-ফৌগাকচাওগী মীতৈ ইচিং ইনাওশিংনা ময়ূমদা হঞ্জিনবা হৌরকপদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা অফবা মখলগী নোংমৈ-বোম-তোপনচিংবা কাপশিন্দুনা লান দারকপবু খম থেংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং কৈথেলদা নুপীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।



ৱাংজিং অমদি লমদিং অপূনবা মৈরা পায়বী, চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবী ৱাংজিং-লমদিং বজার শোপ এন্দ স্মোল ভেন্দরস ৱেলফ্যের কন্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অরাম্বম বেদনা লৈমনা হায়, হন্দক্কী কুকিশিংগী থৌওং অসি য়াম্না পেন্দে। শগোলনা লৌ চারগা ইরোইদা চৈবী-চৈথেং পীবা য়ারোই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা তোর্বুং-বাংলা-ফৌগাকচাওদা আই দি পিশিংনা য়ূমদা হঞ্জিনবা য়ারে হায়দুনা হাঞ্জিন্নরক্লবা মতুংদা ইখঙ খঙহৌদনা কুকি লালহৌবশিংনা বোম তোপ থাদরকপসিদা ...মখা লমায় ৮ কলম ১

## তোর্বুং এটেকতা চেন্নবশিং অমসুং নোংমৈশিং ফাগৎত্রবদি মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** আই দি পিশিংনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনবা হৌরকপদা থা অসিগী ১৬কী নুমিদাংদা তোর্বুং অমসুং ফৌগাকচাও ইখাইদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ শীজিন্নদুনা চথুরকখিবা এটেকপু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা নেশনল হায়ৱে তঙ্খাই থিংজিন্দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।



থৌবাল ইমা কৈথেল মথক-মখা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অপূনবা ইমাশিং, লৈশাংথেম খোং মনুং মৈরা পায়বী, অথোকপম মৈরা পায়বী লূপ অমদি থৌদাম মনীং লৈকায় ইরোংলৈমা পাম্হোইবীনা শীন্দুনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজংদা শরুক য়াখিবী য়ুনিভর্সিএল মাদরস ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ওপোজিশন এম পিশিংনা বিলগী কোপি শেগাইরগা স্পিকরগী ফম্ফম তম্না লংশিল্লবসু মোদি লৈঙাক্না এম জি নরেগাগী মহুৎ শিল্লক্কদবা ভি বি-জি রাম জি বিল, ২০২৫ লোক সভাদা নম্ফুদা পাস তৌখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১দগী হৌরদুনা চথরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমগী মনুং চন্না ঙরাং লোক সভাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ‘মহাত্মা গান্ধী নেশনল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট’ (এম জি নরেগা) গী মহুৎ শিলহল্লক্কদবা অনৌবা বিল ‘বিক্সিট ভারত গরেন্টি ফোর রোজগর এন্দ অজিবিকা মিশন’ (গ্রামিন) (ভি বি-জি রাম জি) বিল ২০২৫ পুথোরকপদা সভাগী ওপোজিশন মেম্বরশিংনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপদগী চরাংনবা থোকখ্রবসু নম্ফুদা পাস তৌখ্রে।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী বিল অসি পুথোরকপদা ওপোজিশনগী এম পিশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী ফাদর ওফ নেশন ওইরিবা মহাত্মা গান্ধীবু হন্থনা য়েংবগী মীৎয়েং য়েংলক্লে অমসুং এম জি নরেগাগী প্রোভিজনশিংবু মূত্থৎকদৌরে হায়বগী অকনবা চার্জ তৌনরকখি।



ওপোজিশনগী মায়কৈদগী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লুরক্লবসু য়ুনিয়ন রুরেল দিভেলপমেন্ট মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহানগী মায়কৈদগীদি ৱাফমশিং অসিবু অকনবা মওংদা মায়োক্লদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনখি।

### বিল অসিগী মতাংদা লোক সভাদা পুং ৮ চূপ্পা খন্নরকপদা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মহাত্মা গান্ধীনা থম্বীরম্বশিং ইকায়খুম্নগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে

মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা এম জি নরেগা অসি অহানবদা নেশনল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি এক্ট (নরেগা) হায়না খক্তমক খঙনরম্বনি অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০০৯গী মীখলগীদমক নরেগা অসিদা মহাত্মা গান্ধীগী মিং হাপচিল্লকখিবনি। নরেগাগী বিলদা ‘মহাত্মা গান্ধী’ গী মিং য়াওখিদে। অদুবু কুমজা ২০০৯গী জেনরেল ইলেক্সন লাকপদা কোংগ্রেসকী মীৎয়েংদা ভোট হেন্না ফংনবগীদমক মহাত্মা গান্ধীগী মিং হাপচিনখিবনি হায়খি।

অদুম ওইনমক এম জি নরেগাগী থবক থৌরমশিং প্রাইম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনবদা ফূরুপ অমত্তনা থিংবগী হক লৈতে আই দি পিশিং ময়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌগনি : য়ু সী এম

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** সিক্যুরিটি ফোর্সনা চেকশিন্দবদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপথরকখিবনি হায়রদুনা নোংমৈ কাপথরকখিবা মফম অদুদা দ্যুটি তৌরিবা ফোর্সশিংগী মথক্তা হোম মিনিষ্টরনা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই কে ধিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি য়ুনাইটেদ কন্মিটি মণিপুরনা চহী ২৫ মপূং ফারকপগা ইরোয়ননা হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা কন্মিটি অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ‘মণিপুর ক্রাইসিস এন্দ বিওন্দ : দি ৱে ফোরৱার্দ’ (এ ফ্যুচরিষ্টিক এক্সর্সাইজ) হায়বা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।





মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবগীদমক আই দি পিশিংনা ময়ূমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনরিঙৈগী তাঞ্জাদা থা অসিগী ১৬কী নুমিদাংদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা তোর্বুংদা বোম য়াওনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা খুঞ্জাশিংদা অকি-অখং পোকহনখিবা অদু ঐখোয়গী খুন্নাইদা তংদু-লৈতাবা পূন্সিরোল অমদা হিংনবা হোৎনবদা কাঙলূপ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোটুনা কাংপোকপী লালহল্লোই হায়দুনা খোঙ্গ্রাই শৎলিঙৈদা মালেম থোঙামদি বি এস এফনা ঙাক্লগা সেকমাই য়ৌরকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা ওক্টোবর ২দগী ন্যু দেল্লীগী কুটুব মিনর মখোঙদগী মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহনগদবনি হায়বগী পান্দমদা সাইকল থৌরকখিবা মালেম থোঙামনা মাও য়ৌশিল্লকপদা কোটুগী মায়কৈদগী মহাকপু কাংপোকপী ফাওরগা চৎহল্লোই হায়বগী অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রবসু ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ২ তারকপদগী বি এস এফকী পর্সনেলশিংনা মখোয়গী গাড়ীদা হাপ্তুনা পুবিরক্লগা ঙসি অয়ূক অঙনবদা সেকমাই পি এসতা শিন্নরম্বদগী মহাক্কী খোঙচৎতা অথিংবা পীগনি হায়না খোঙ্গ্রাই শৎলম্বা কোটুগী থৌমীশিংগী থৌরাং অরেম্বদা তাখ্রে।

### ঙসি অয়ূক মীয়াম্না সেকমাইদা তরাম্না ওক্লবা মতুংদা কংলা তম্না সাইকল থৌরক্কনি

বি এস এফনা সেকমাই পি এস তম্না পুরকপদা পুলিস ষ্টেশন অসিগী ও সীগী মায়কৈদগী রিসিভ তৌখি। বি এস এফকী পর্সনেলশিংনা ...মখা লমায় ৬ কলম ৭



মালেম থোঙাম (২৫) অপোকপা টি ঐচ অমু মৈতৈবু

### কোকোমিনা দি জি পিদা ৱাকৎ চেরোল পীশিন্দুনা ‘বফর জোন’ লৈব্রা-লৈতব্রা শেংদোকপীয়ু হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস):** আই দি পিশিংবু চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়দুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা কোকোমিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা ঙসি দি জি পিদা লমায় ৪ পানবা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা থা অসিগী ১৬কী নুমিদাংদা তোর্বুংদা চথুরকখিবা এটেককী মতাংদা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### কাংভাইদা আই ঈ দি ১৬ লৈরম্লে, বোম দিস্পোজেল স্কৱাদনা পোকখায়হনখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা চূড়াচান্দপুর পি এসকী মনুং চল্লিবা কাংভাই এরিয়াগী লুংদৈফাই লৈনোম ভিলেজ জঙ্কশনদগী হুন্দোক্লম্বা ‘এনফো’ (পেষ্ট টাইপ) কী আই ঈ দি ১৬ রিকোভর তৌরে। অদুম ওইনমক আই ঈ দিশিং অদু বোম দিস্পোজেল স্কৱাদনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

### ঙাগী ত্রক হায়জেক্ট তৌবদা চেন্নবা কাদর ৪ য়াওনা মীওই ৭ ফারে : পুলিস

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস):** ঙসি সেকমাই পি এসকী মনুং চনবা মহারাবিদগীনা ফৈদিঙ্গা ফাওবগী মরক্তগী ঙাগী বোক্সশিং হাপ্পা ত্রক অমা হায়জেক্ট তৌখিবা পাম্বৈনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## লৈ অচৌবা ১ থেৎপগী মহুত্তা লৈ নাচোম মচা ১ থেৎপগী ফজবসু অমুক্তং য়েংদুনা খরগা হেন্না চঙশিনবা য়াব্রা : শ্যাম শর্ম্মা



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** লৈ অচৌবা অমা থেৎপগী মহুত্তা লৈ নাচোম মচা অমা থেৎপগী ফজবদুসু অমুক্তং য়েংদুনা খরগা হেন্না চঙশিনবা য়াব্রা য়েংলসি হায়না মণিপুরগী শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর অরিবম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুন জে এন এম দান্স একাদেমিদা নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা ফেষ্টিবেল ওফ ...মখা লমায় ৬ কলম ১

## লৈঙাক্না য়ূমদা হঞ্জিনহনবীরবসু লাঞ্জেল্লকপদা তুশিন্দুনা শোয়নাইরবা ইপুরোইবদি য়ূমদা হঞ্জিনবদসু অদুমক শোয়নাইরগা হঞ্জিল্লনি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
কাংচুপ মমাঙ লৈকায়দগী খুঞ্জা

### কাংচুপ চীংখোঙ মমাঙ লৈকায়গীদি আই দি পি খরা হোংজিল্লবসু মনীং লৈকায়গীদি লৈঙাক্না মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীবিদুনা ঙাকপী-শেনবীদ্রবদি মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈবদা অকিবা পোক্কদবা মাল্লি

**হান্নগী মখা...**

কোকোমি অমসুং আই দি পিশিংনা লৈবাক মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংবু চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়দুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী থা অসিগী ৪দা বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কন্মিস্নর পুজা এলাংবমনা লৈত্রাম ৱারোইচীংদা ইমুং ৬৪গী আই দি পি ২৫৭ হোংজিলহনখ্রবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এ দি এমনসু তোর্বুং বাংলা/ফৌগাকচাও ইখাইনচিংবদা মশীং য়ামদ্রবসু মখা তানা আই দি পিশিং হোংজিলহল্লবসু মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ অসিদি মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবনা পাউচে অসিনা লান হৌরকপদগী হৌনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংগা উন্নদুনা মখোয়না মায়োক্লবা অৱা-অনাশিং খঙদোক্তুনা মীয়ামদা লেপ্তুনা পাউতল্লকপা (হকথেংনবা পাউদম) গী মখা তারকপদা কাংচুপ মমাঙ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী নিংথৌজম নিঙোল অঙোম ওংবী মেম্মা (৬০) না পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, লৈঙাক্না হোংজিলহল্লগনি হায়বগী মতুং ইন্না ঐখোয় ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈরবা মতুংদা করিগুম্বা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবনিনা অমুক হন্না ঈরাং থোরক্লবদি অনাবা ইপুরোইববু পুথোক পুশিন তৌদুনা চেনবদা য়াম্না ৱাগনি।

মহাক্না হায়, ইচাশিংসু মাগী-মাগী হিংনবা অঙম্বা অমসুং অফংবা থবক শুনরি। মরম অসিনা মখোয়গা পূন্না লৈমিন্নবসু ফংদ্রে। অদুবু লৈঙাক্না ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙম্নবা কন্না হোৎনবীদুনা মসিগীদমক থবক পায়খৎপা হৌরক্লিবা অসিদি য়াম্না নুংঙাই। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইশাগী য়ূম শেমজিন-শাজিন্নবা লুপা লিশীং ৭৫দি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরক্লে। শেনফম অসিনা য়ূমদা হেক হঞ্জিনবগা মহৌশাগুম্না ইশাগী য়ূম-কৈ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## তমেংলোংদদি নুপীমচাশিংনা খূৎনা ফি শাবগী কম্পিটিশন ফাওবা পাঙথোক্তুনা ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল চথরি



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৬কী নুমিদাংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনবা হৌরক্লবা তোর্বুং অমসুং ফৌগাকচাও ইখাইগী আই দি পিশিংনা লৈরিবা য়ূমশিং তম্না বোম তরেৎ অমসুং নোংমৈ মরূ ২০০ রোম কাপশিন্দুনা অকনবা লান অমুক হন্না চথরকপদগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫গী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫